তরাশুবা ষ্টেট লেভেল এম রবিচন্দ্র মেমোরিএল ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৮-১৯

# আর এফ সী খম্নাম লৈরক্পা চেম্পিয়ন ওইখ্রে




ইম্ফাল, জন্যুৱারী ১৫ (ঐচএন এস)ঃ এম রবিচন্দ্র মেমোরিএল ত্রষ্ট ক্যামগৈনা শীন্দুনা ক্যামগৈ ময়ায় লৈকায়দা লৈবা দি ক্যামগৈ আইদিএল হায় স্কুলগী শান্নবুংদা চথরকখিবা তরাশুবা ষ্টেট লেভেল এম রবিচন্দ্র মেমোরিএল ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৮-১৯গী চেম্পিয়ন আর এফ সী খম্নাম লৈরক্তা ওইখ্রে।

টিম ১৮না শরুক য়াদুনা নোক আউট বেসিসতা পাঙথোকখিবা তরাশুবা ষ্টেট লেভেল এম রবিচন্দ্র মেমোরিএল ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৮-১৯ লোইশিনবগী থৌরম অদুদা দোর্নচার্যা এৱার্দি এল ইবোমচা, সাইগী ৱেটলিফটিং কোচ এ রঞ্জন, ইম্ফাল পব্লিক হায়র সেকেন্দরি স্কুলগী ফাউন্দরসু ওইরিবা প্রিন্সিপাল অসেম কেনেদি অমসুং পি দল্লিয়ু দি মণিপুরগী রিটয়ার্দ চীফ এঞ্জিনিয়র মোইরাংজম লোকেন্দ্রোনা মথংশিংনা চীফ গেষ্ট, গেষ্ট ওফ ওনরশিং অমদি প্রসিদেন্ট ওইনা শরুক য়াখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী ফাইনেল মেচ ওইনা ঙসি নুংথিল পুং ২.৩০ তাবদা আর এফ সী খম্নাম লৈরক অমসুং পান্থোইবী এফ সী লম্বা তৌনখি। মেচ অদুগী অহানবা হাফকী ১৩শুবা মিনটতা আর এফ সীগী জর্সি নম্বর ১১না চনখিবা গোল অদুনা মেচ অদু লোইশিল্লকপদা আর এফ সী খম্নাম লৈরক্পা গোল ১-০দা মায় পাক্তুনা টুর্নামেন্ট অসিগী মপূ ওইখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী মেন ওফ দি ফাইনেল মেচনা আর এফ সীগী সুসিল, বেষ্ট গোলকিপরনা আর এফ সীগী বোমবোম, টোপ স্কোররনা এম পি এস পাঙ্গৈগী সনাতোম্বা অমদি মেন ওফ দি মেচনা আর এফ সীগী রাধাকান্তনা ওইখি।

লোইশিনবগী থৌরম অদুদা শরুক য়াখিবা দাইজ মেম্বরশিংনা ৱিন্নর ওইখ্রবা টিমদা ট্রোফি য়াওনা শেলগী মনা লুপা লিশীং ৫০, রন্নর্স-অপ তাখ্রবা টিমদা ট্রোফি য়াওনা শেলগী মনা লুপা লিশীং ৩০ অমদি তোঙান তোঙানবা টাইটল ফংখ্রবা শান্নরোয়শিংদা শেলগী মনা লুপা লিশীং ২/২সু খূৎশিন্নখি।



HL-B/4943/25/10-22/12 (alt.)

এম কুঞ্জো মেমোরিএল সোক্কর টুর্নামেন্ট

# য়াইরিপোক য়াম্বেম, এ স্কৱার পাৎশোই, টি ৱাই সী মায় পাকখ্রে

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ১৫ (ঐচএন এস)ঃ ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা উচেকোন তাখোক মপালদা লৈবা দি পাওনা মেমোরিএল ক্লবনা শীন্দুনা ক্লব অসিগী শান্নবুংদা চথরিবা অহুমশুবা ষ্টেট লেভেল মোইরাংথেম কুঞ্জো সিংহ মেমোরিএল ফোর মেন সোকর টুর্নামেন্ট ২০১৯গী ঙসি শান্নখিবা লীগ রাউন্দগী মেচশিংদা য়াইরিপোক য়াম্বেম, এ স্কৱার পাৎশোই অমসুং টি ৱাই সী নহারুপ মায় পাকখ্রে। মেচ অমনা দ্রো চৎখ্রে।

টিম ৪৩না শরুক য়াদুনা কাঙলূপ ১৪ থোক্না খাইদোক্তুনা অহুমশুবা ষ্টেট লেভেল মোইরাংথেম কুঞ্জো সিংহ মেমোরিএল ফোর মেন সোকর টুর্নামেন্ট ২০১৯গী লীগ রাউন্দগী অনীশুবা মেচকী অহানবা গ্রাউন্দদা মোইরাংকম্পু এফ সী অমদি য়াইরিপোক য়াম্বেম শান্নখিবা মেচ অদু য়াইরিপোক য়াম্বেমনা গোল ৩-১দা মায় পাকখি।

লীগ রাউন্দগী অহুমশুবা মেচ ওইনা ঙসিগী অনীশুবা গ্রাউন্দদা এন কে এফ সী নম্বোল অমসুং এ স্কৱার পাৎশোই শান্নখিবা মেচ অদু এ স্কৱার পাৎশোইনা গোল ১-০দা মায় পাকখি। টুর্নামেন্ট অসিগী লীগ রাউন্দগী মরিশুবা মেচ ওইনা ঙসিগী অহুমশুবা গ্রাউন্দদা টি ৱাই সী নহারুপ অমসুং এন আই পি সী ন্যু চেক্কোন শান্নখিবা মেচ অদু টি ৱাই সী নহারুপনা গোল ২-১দা মায় পাকখি। অদুগা মঙাশুবা মেচ ওইনা ঙসিগী অরোইবা গ্রাউন্দদা য়াম্ফু এফ সী য়ৌরবুং অমদি আর এফ সী ক্যামগৈ শান্নখিবা মেচ অদু গোল ০-০দা দ্রো চৎখি।

বিরো এন্দ ৱোজেন মেমোরিএল ফুটবোল

# আর এ এফ এনা অমোফা একাদেমি-বিবু মায়থীবা পীখ্রে

ইম্ফাল, জন্যুৱারি ১৫(ঐচ এন এস): অমোফা একাদেমি মোইরাংনা শীন্দুনা মোইরাং মল্টিপর্পজ হায়র সেকেন্দরি স্কুলগী শান্নবুংদা চথরিবা অহুমশুবা ঐচ বিরো এন্দ ৱোজেন মেমোরিএল অন্দর-১৩ ষ্টেট লেভেল ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯গী ঙসি শান্নখিবা লীগ রাউন্দগী মেচতা আর এ এফ এনা অমোফা একাদেমি-বিবু মায়থীবা পীখ্রে।

টিম ৮না শরুক য়াদুনা কাঙলূপ ২ থোক্না খাইদোক্তুনা পাঙথোক্লিবা ঐচ বিরো এন্দ ৱোজেন মেমোরি-এল অন্দর-১৩ ষ্টেট লেভেল ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯গী লীগ রাউন্দগী মরিশুবা মেচ ওইনা ঙসিগী নুংথিল পুং ২.৫০ তাবা মতমদা আর এফ এ অমসুং অমোফা একাদেমি-বি লম্বা তৌনখি। অহানবা হাফ লোইবা মীৎকুপ ফাওবদা আর এফ এনা গোল ২-০দা মাঙজিল থাদুনা চৎখি। অমোফা একাদেমি-বিগী মায়কৈদগী অনীশুবা হাফ হৌরকপদগী হৌনা আর এফ এগী মাঙজিল থারিবা পাঞ্জলশিং অদু হন্দোক্লবা হোৎনরবসু হনে দাকপা ঙমখিদে। মেচ অদুগী অরোইবা মীৎকুপ লোইশিল্লকপদা আর এফ এনা অমোফা একাদেমি-বিবু য়াম্না লাকচনা পাঞ্জল ৬-০দা মায়থীবা পীখি। আর এফ এগী মায় পাকপগী পাঞ্জলশিং অদু জর্সি নম্বর ৭ দল্লিয়ু জোননা মেচকী ৩শুবা অমদি ৪৫শুবা মিনট, জর্সি নম্বর ১৬ প্রসান্তনা মেচকী ১৫শুবা অমদি মেচকী ৪৬শুবা মিনটতা পাঞ্জল ২/২, জর্সি নম্বর ৯ বিশ্বানাথনা মেচকী ১৩শুবা অমসুং জর্সি নম্বর ১১ লনচেনবনা মেচকী ৫১শুবা মিনটতা গোল অমমম চনখি।

খেলো ইন্দিয়া য়ুথ গেমস ২০১৯

# চহী ১৭ অমদি ২১ মখাগী কাঙলূপ্তা মণিপুর টিম সেমী ফাইনেল চঙখ্রে

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ১৫ (ঐচএন এস)ঃ মহারাষ্ট্রগী পুনেদা লৈবা পুলিস ষ্টেদিয়মদা চত্থরিবা অনীশুবা এদিসন খেলো ইন্দিয়া য়ুথ গেমস ২০১৯গী নুপীগী ফুটবোল মশান্নগী চহী ১৭ অমদি ২১ মখাগী কাঙলূপ্তা মণিপুর টিম সেমী ফাইনেল চঙখ্রে।

নেসনলগী থাক্তা তোঙান তোঙানবা মশান্না কয়াদা চাংদম্নরিবা অনীশুবা খেলো ইন্দিয়া য়ুথ গেমস ২০১৯গী নুপীগী চহী ১৭ মখাগী ফুটবোল মশান্নগী কার্টর ফাইনেল মেচ ওইনা ঙসি মণিপুর অমসুং ঝরখণ্ড শান্নখি। মেচ অদু মায় পাক্লবগীদমক টিম অনীনা অকনবা লম্বা তৌনদুনা ফজনা শান্নখি। মেচ অদুগী অরোইবা মীৎকুপ লোইশিল্লকপদা মণিপুরনা ঝরখণ্ডবু পাঞ্জল ৪-১দা মায়থীবা পীরম্লগা সেমী ফাইনেল চঙবা ঙমখি।

য়ুথ গেমস অসিগী ফুটবোল মশান্নগী চহী ২১ মখাগী কাঙলূপকী কার্টর ফাইনেল মেচ ওইনা ঙসি মণিপুর অমসুং বিহার লম্বা তৌনখি। মেচ অদুগী অহানবা মীৎকুপ্তগী হৌনা মণিপুরনা বিহারবু য়াম্না লাকচনা শান্নখি। মেচ অদু লোইশিল্লকপদা মণিপুরনা বিহারবু গোল ৪-১দা মায় পাক্তুনা সেমী ফাইনেল চঙখি।

টিলোতমা সেকেন্দ দিভিজন ফুটবোল লীগ

# এফ সী কগালুনা পি এস জিবু গোল ৩-২দা মায়থীবা পীখ্রে

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ১৫ (ঐচএন এস)ঃ ওল জিরিবাম স্পোর্টস এসোসিএসন (আই জে এস এ) জিরিবাম্না শীন্দুনা জিরিবাম হায়র সেকেন্দরি শান্নবুংদা টিম ৩না শরুক য়াদুনা চত্থরিবা ১৬শুবা পি টিলোতমা মেমোরিএল দিষ্ট্রিক্ট লেভেল সেকেন্দ দিভিজন ফুটবোল লীগ টুর্নামেন্ট ২০১৮গী ঙসি শান্নখিবা লীগ রাউন্দগী মেচতা এফ সী কগালুং ন্যু অলিপুরনা পি এস জি কালিনগর টিম্বু মায়থীবা পীখ্রে।

অহানবা হাফকী ২২শুবা অমদি ২৬শুবা মিনটতা এফ সী কগালুংগী শান্নরোয় জর্সি নম্বর ১০ মমাঙ্ক অমদি জর্সি নম্বর ৯ অশ্বিননা গোল অনী মথং মথং চনশিল্লগা মেচ অদু মহাক্কী টিম্না গোল ২-০দা মাঙজিল থাখি। পি এস জিগী মায়কৈদগীসু জর্সি নম্বর ২০ লেনমিন্থাংনা মেচকী ৩৯শুবা মিনটতা এফ সী কগালুংগী মাঙজিল থারিবা অহানবা গোল অদু হন্দোক্লগা অহানবা হাফ লোইশিল্লকপদা এফ সী কগালুংনা গোল ২-১দা মাঙজিল থাদুনা চৎখি।

অনীশুবা হাফ হেক হৌরকপদগী লোইবা ফাওবদা টিম অনীনা মায় পাক্লবগীদমক অকনবা লম্বা তৌনদুনা শান্নখিবা মেচ অদু লোইশিল্লকপদা এফ সী কগালুংনা পি এস জি-বিবু গোল ৩-২দা মায়থীবা পীখি।

# অমসাগী জেনরেল এসেমব্লি পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ১৫ (ঐচ এন এস)ঃ চান্দেল দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবদা লৈবা ওল মরিং স্পোর্টস এসোসিএসন (আমসা) স্পোর্টস কমপ্লেক্স কাংশঙ কম্যুনিতি হোলদা থা অসিগী ১৯গী নুংথিল পুং ১২ তাবা মতমদা লাক্লিবা গোল্ডন জুবিলিগা মরী লৈননা অথুবা জেনরেল এসেমব্লি অমা পাঙথোক্লগনি। মরম অসিনা অমসাগী এসেমব্লি মেম্বরশিংনা জেনরেল এসেমব্লি অসিদা শরুক য়ানবা এসোসিএসন অসিগী জেনরেল সেক্রেটরি টি ঐচ মোসিল খেলিয়ানা খঙহল্লক্লি।



HL-B/5124/16,17 jan.

Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Thounaojam Birdhaja, Managing Editor: Maisnam Karnajit, Asstt. Editor : Kh. Nandalal; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com